থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

# তুংলমচৎ - প্রোফেসি, হায়বা ঙম্বা কনানো?

তুংদা থোক্লগদবা, থোক্লবা য়াবা থৌদোক অমা মাঙজৌননা হায়বগী থৌওং অদুবু ইংরাজিদা 'ফ্যুচরোলোজি' কৌই। 'ফ্যুচরোলোজি' নত্তবা 'প্রোফেসি' হায়বা ৱাহৈ অমসু লৈ। ঐখোয়গী লোন্দা 'তুংলমচৎ উবা' হায়বা অমগা 'লাইফাও' হায়বা অমগা, ৱাহৈ অনী লৈবগুম্বনি। হায়ফেৎ মান্নবা মানবনি, অনী অসি মান্নদে। তুংদা থোক্লগদবা অহোংবা/অওনবা অমা মাঙজৌননা উবা ঙম্বা/খঙবা ঙম্বা মীশক অদুবু ঐখোয়না 'ভিজনেরি' হায়নসু খঙনরে হৌজিক্তি। 'ভিজনেরি' গা, প্রোফেসি'দগী লাকপা 'প্রোফেট' হায়বসিগসু মান্নদে। মশানা মশাবু লাইগী মচানি হায়জরগা পাউরৌ/পাউতাক ময়াম অমা পীরম্বা মহাক্কী ৱাহৈশিংদু লাইগী মপাউ'নি হায়দুনা, লাইগী স্পোক্সপর্সন অমগুম থবক তৌরম্বা অমবু 'প্রোফেট' হায়না মিংথোন অমা পীবসিমদি ঐগী ওইবা ৱাখলসিনা য়ানীংলুদে। 'প্রোফেট' হায়বা ৱাহৈসি লাইনীং লম্বী অমগী অহানবা মপাউ শন্দোক্লম্বা মীশক অদুবু খঙনবা তারগদি 'প্রোফেসি' হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক 'তুংদা থোক্লগদবা থৌদোক অমা মাঙজৌননা হায়বা', 'নোষ্ট্রা-দামস'কুম্বা মীশক অমনা হায়রম্বা ৱাহায়শিংবু 'প্রোফেসি' গী মনুং চলহন্দবা তাবনি। নৎত্রগা, মখোয়বুসু 'প্রোফেট' হায়বা কাঙলূপ্তুগী মনুং চলহনবা তাবনি।

সোরি। ঙাকপীগনি! ইংলিস হায়বা লোন অসি ঐগী ইরোন নত্তবনা খঙফাত্তদুনা হায়রিবনি। তুংদা থোক্লবা য়াবা ৱা অমা হায়বা, ফ্যুচরিষ্টিক সেইং, নৎত্রগা রাইটিং খুদিংমকসিবু প্রোফেসিগী মনুং চনগদ্রা? অমেরিকাগী 'ওরভিল রাইট' অমসুং 'ৱিলবর রাইট' - মচিন মনাও অনীনা মালংদা পাইবা খূৎলায়, এরোপ্লেন ইহান হান্না শাদ্রিঙৈ চহী লিশীং অনী চামঙামুক্কী মমাঙদা ইখি থাজনরিবা 'বাল্মিকি' মুনিনা ইবা 'রামায়ন' দা, অপাইবা দোলাই (পুস্পক বিমান) শীজিন্নরম্বগী ৱারী ইরম্মী, এঞ্জিনিয়রিং সবজেক্ট পুথোক্ত্রিঙৈ সমুদ্র ঈপাকথক্তা 'রাম-সেতু' (থোং) শারম্মী, তুংদা পুথোক্কদবা পোৎশকশিং চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদা লৈরল্লবই মওংদা ইরম্মী হায়দুনা 'রামায়ন' - 'প্রোফেটিক রাইটিং' নি হায়গদ্রা? 'পুস্পক বিমান' গী ৱাদুসু তোকখিসি - জেমস-বোন্দ সেরিজ'গী 'গোল্ড-ফিঙ্গর' ফিল্ম 'স্যাঁ-কোন্নেরি' না ইন্দিভিজ্যুঅল ফ্লাইং মেছিন'দু শীজিন্নবগী ইমাজিনেসন, 'ইয়ান ফ্লেমিং' না ইরক্ত্রিঙৈ আ-মমাঙদা বাল্মিকি'না হনুমান পাইহল্লম্লে।

ৱাফম অসি প্রোফেসি'গা মরী লৈননা ইজরম্লোইদবনি। অদুবু, লোস এঞ্জেলেস'কী য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াদা সাইকোলোজিগী প্রোফেসর ওইবা, য়ুনিভর্সিটিদুগী 'ইন্সটিট্যুট ওফ ফ্যুচর-ফোরকাষ্টিং' গী দাইরেক্টর 'দেবিদ লোয়'না ইবা আর্টিকেল অমদা, মহাক্না, ইন্সটিট্যুট অদুগী মহৈরোয়শিংদা চাংয়েং ওইনা পাঙথোকখিবা 'ফ্যুচর প্রিদিক্সন' এক্সর্সাইজ অমা পাঙথোকখিবদু, চহী নিফু হৌখ্রবা মতুংদা 'ফ্যুচর-ফোরকাষ্ট'শিং (মরু ওইনা গ্রুপ প্রিদিক্সনশিং) অদু চাদা মরিফুতরামঙা চুল্লকখিবগী ৱাফম ইরম্মী। আর্টিকেল অদু ইলেক্সনগী 'একজিৎ-পোল' গী অচুম-চুমদা নৈনরকপগী মতাংদা নোংমা পাখিবনি। কুইখিদ্রি। ৱারেং অদুদা য়াম্না ইন্টরেষ্টিং ওইবা ৱাফম অমা থেংনখি। এদোল্ফ-হিটলর' না জর্মনগী চাঞ্চেল্লর ওইনা পাৱর পায়রকপা মতমদুদা, মতমদুগী জর্মনগী মীয়ামদা ৱাহং অমা হংখি - 'হিটলর'না শক্তি পায়রকপসিনা হোংহল্লকপা য়াবা অওনবশিংদু করিনো'? অয়াম্বা মীনা খুল্লকখি - 'ইকুই কুইদনা, জর্মনি'না কাইহৌদুনা য়ুরোপ'তা অচৌবা লাঞ্জাও অমা থোক্কনি ... মতম খরা, কনাগী মীচংদসু লেপ্লমদবা অমেরিকা, ফ্রান্স, বৃটেন, রসিয়া অমদি পোলেন্দগী মীচংদা লেপ্লক্কনি, লান অদু য়ামদ্রবদা চহী অহুমদগী মঙা ফাওবা শোক্লগনি ... জর্মনি'না মায়থীবদা লান অদু লোইগনি'।

মীয়ামগী খোল্লাউ অদু লোনশিন্দুনা থমখ্রবা উপু অমগী মনুংদা চহী ৪০ চুপ্লা হাংদনবা ফিরেপ অমগা লোয়ননা থমখ্রগা, ১৯৭৬তা হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা সাইকোলোজিষ্টশিং ঙকখি। 'দেবিদ লোয়'গুম্বা 'ফ্যুচরোলোজি'দা থিজিন-হুমজিন তৌবা রিছর্সরশিংনা, 'মীওইবনা তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোকশিং করম্না হায়বা ঙল্লিবনো' হায়বসিগী মতাংদা হায় ... 'মীওইবগী পূক্নিং অমদি ৱাখলবু নীংথিনা ত্রেন তৌরগা, কনাগুম্বা খরদনা ত্রেনিং তৌদনা পীথোরকপা গুন খরনা, তরুকশুবা সেন্স অমা ফাওহল্লকপা ঙম্মী, সেন্স অদুগী মতেংনা মীওইবনা ঙাইহাক্কী মতুংদা নৎত্রগা মতম খরগী মতুংদা থোক্লবা য়াবা থৌদোকশিং শাজিন্দুনা শক-লাকপা ঙমহল্লি'...। অসিগুম্বা, অখন্নবা মীওই খরখক্তদা লৈবা গুন অসিবু মখোয়না 'গিফ্ট ওফ প্রোফেসি' হায়না মিংথোল্লি। হায়বদি তুংলমচৎ হায়বা ঙম্বসি, অখন্নবা খুদোল অমা ফংবগুম্বনি।

চহী অমগা থা অমা-অনীদং ঙায়শিল্লক্লবা মণিপুরগী ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সন'সিগী রিজল্ট কমদৌগদগে? করম্বা পার্টি (কোঅলিসন) না মেজোরিটি ওইরক্তুনা কনানা চীফ-মিনিষ্টর ওইরক্কদগে হায়বদু হান্না লাউথোক্লবা/ফোরকাষ্ট তৌনবা/প্রোফেসি অমা হায়নবা হৌখিবা চহী মরিরোমসিদা কনানা করি তৌখিবা? লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী পর্ফোর্মেন্স, মখোয়না হায়বঙাক নত্তবা মীয়াম্না করি ঙাঙনরিবা? ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা পার্টিদুগী এম এল এশিংদুনা মাগী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীয়ামদুগা করি মরী লৈনরিবা? হায়বনচিংবদু কূপ্না নৈনরগা পোলিটিকল এনালিষ্টশিংনা হায়দৌরিবনি। মাইবী'দা মীনা কৈদৌঙৈ/করম'কান্দা য়ূম' য়ৌরক্কদগে হংলকপদা ঐনা খুমগদৌরিবা পাউখুমদু - মফমদুগী অরাপ্পা, চৎকদৌরিবা পান্থে, লম্বীদা থেংনরকপা য়াবা অপনবা অসিনচিংবগী মখা পোনগনি। পোৎ-চৈগী মমল লেপ্পা, ইমুংগী নৎত্রগা লৈবাক্কী ইকোনোমি অমদি বজেৎ-সাইজ-হৌজিক ওইরিবা ফীভম (ত্রেন্দ) অদুগী মখা পোনগনি। প্রজেন্ট-ত্রেন্দ অসি কয়াম কুইনা চৎখিগদগে? থাবুম তরা হেন্না ঐখোয়দা অকনবা চৈনা অমা পীরক্লিবা কোভিদ-১৯-ত্রেন্দ অমদি মসিনা শোকহল্লবা ইকোনোমিসিগীদমক্তা ঐখোয় করি থৌরাং তৌরবগে? ফিগী করবার তৌবা নন-মণিপুরী অমনা, ঐগী মরুপ (রিটায়র্দ ওফিসর) অমদা 'কোভিদ-১৯-মতুংদা ফিগী কারবার য়াররোই অতোপ্পা অমা হোংবা তাই' হায়না তানবা লাকহৌবদুদা খনখিবনি -ঐখোয়গী লৈঙাকসিনদি করি থৌরাং লৌখৎলিবা! ফেব্রুৱারী থাদা পুথোক্লক্কদৌরিবা বজেট প্রপোজেলদুদগীবুদি খঙলনি - শেন্দোলগী কোম অদুদা কয়া য়াম্না পুখরবা? লৈবাকসিগী ইকোনোমিনা পুখজরবসু অঙম অথৌ খরবুদি মরলনা সনজিঙগুম পৈখৎখরে। খোঙতেক-মীত্তাং পূম্নমক্না খঙই। লৈঙাকসিগী প্রোফেসি, ২০২২ মার্চতা ওইরক্কদবদু হায়বা ঙমগদবদি খোঙতেক-মীতাংগী থাক্তা কুমথখ্রবা ঐখোয় ময়ামনি।

লৌশিং পুক্কে

# শেল-থুমগী খুদোংচাদবা লেপ্তুনা মায়োক্লবনা অহল ওইশিনবগী খোঙজেল য়াঙশিলহল্লি

ঐখোয় মীওইবনা অহল ওইশিল্লকপগী মওং অমদি মতম-তাঙ্কক অসিনচিংবা অসি ঐখোয়গী পুন্সি মরেল, পারি-পুরিগী ওইবা মরম অমদি এনভাইরনমেন্টকীসু মখা পোল্লি। অদুবু শেল-থুমগী ওইবা ফিভম হায়বসিসু অহল ওইশিলহল্লকপগী মরুওইবা মচাক অমনি।

য়ামদ্রবদা চহী ৪ দং ওইরবসু শেল-থুমগী অৱাবা লেপ্তুনা মায়োক্লবা মীওইশিংনা অতোপ্পা মীওইশিংদগী অহল ওইশিল্লকপগী খোঙজেল য়াঙশিনবা হেল্লি হায়বা রিছার্স অমদগী খঙবা ঙমখ্রে।

অহল ওইশিল্লকপগী খোঙজেল য়াঙশিল্লকপা হায়রিবসি চপ মান্নবা চহী তাঙ্কক্তা লৈবা অতোপ্পা মীওইশিংগা য়েংনবদা পাঙ্গলগী ওইবা মতীক ময়ায় হন্থবা অদুবুনি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসি কোগনিটিব ফঙ্কসনসু পাঙ্গলসু হন্থরকপগা লোয়ননা মখোয়গী ঈদা ইনফ্লেমেটরি মার্কারশিংসু হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

সি-রিএক্টিব প্রোটিন (সি আর পি) অমদি আই এল-৬কুম্বা ইনফ্লেমেটরি মার্করশিং ৱাংবা অসি ইনফেক্সন অমদি কেন্সরনচিংবা য়াওনা খুদোংথীবা কয়াগা মরী লৈনৈ হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা হায়রি।

অহল ওইবা মীগী মশিং য়াম্বা মফমদা অনা লায়েংবদা শেল কা হেন্না চঙবনা অহলশিংবু চৈথেং য়াম্না পী। মরু ওইনা ৱেষ্টর্ন সোসাইটিদা মসি থোকই। মসিনা মরম ওইরগা অহল ওইরবসু হকচাং ফনা লৈবগী তঙাইফদবা অদু ময়েক শেংবা হেনগৎহল্লক্লি।

দেনমার্ককী য়ুনিভর্সিটি ওফ কোপেনহেগেনগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিক হেল্থকী রিছার্সরশিংনা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লদবা মীয়াই চল্লবা মীওইশিংগা য়েংনবা মতমদা চপ মান্নবা চহী তাঙ্ককতা লৈবা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লবা মীওইশিং অসিদা চৈথেং ফংবরা হায়না থিজিন্নবগীদমক ষ্টদি অমা পাঙথোকখি। চথুখিবা ষ্টদি অদুগী রিজল্ট অসি য়ুরোপিয়ন জর্নেল ওফ এজিং কৌবা জর্নেল অমদা ফোঙলকখিবনি।

ষ্টদি অসিদা হায়রিবা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লবা কাঙলুপ অসিদা য়াওরিবা মীওইশিং অসি শেন্থোক য়াম্না নেম্বা কাংবুনি। মসিদা য়াওরিবসি লৈবাক্কী এভরেজ ইনকমদগী চাদা ৬০ হন্থবা মীওইশিংনি।

রিছার্সরশিং অদুনা মীয়ায় চল্লবা মীওই ৫৫৭৫দা ষ্টদি তৌখি। মীওইশিং অদুগী মনুংদা চাদা ১৮দি কুমজা ১৯৮৭দগীনং ২০০৮ ফাওবদা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লখিবশিংনি। রিক্কে লুন্দনা লুচিংবা টিম অদুনা চৌক্রিদা ফল্লম্বদগী হৌগৎপা, খূৎপায় চেৎপগী চাং, চোংবা অমদি বেলেন্স য়াওনা ফিজিকেল অমসুং কোগনিটিব ফঙ্কশন অনীমকপু কূপ্না নৈনদুনা অহল ওইশিল্লকপগী মরমদা ষ্টদি তৌখি। মদুদা চহী ৪ নৎত্রগা ৪দগী হেন্না শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লরক্লবা মীওইশিংদি শেল থুমগী অৱাবা অমুক্তা মায়োক্লদ্রিবা মীওইশিংনা তৌবা ঙম্বগী চাং অদু য়ৌবা ঙমদবা থেংনখি। অসিগুম্বা শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লবা মীওইশিং অদুগী ঈদা ইনফ্লেমেটরি মার্কর ৱাংখৎপসু রিছার্সরশিং অদুনা থেংনখি।

ফংলক্লিবা রিজল্টশিং অসিনা উৎলি মদুদি, শেল থুমগী অৱাবা অদুদগী নাম্থোরক্লবদি থুনা অহল ওইশিলহন্দে। অদুগা করিগুম্বা অৱাবা অদু অসুম মায়োক্লদুনা লৈরগদি ঈদা সী আর পি লেবেল হেনগৎহল্লক্কনি।

নুংঙাইবা ৱাফম অমনা, পুন্সিগী ঙল্লিঙৈ তাঙ্কক্তা মতম খরখক্তং শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লবনদি থুনা অহল ওইশিলহনবগী খুদম ফংদে। অদুবু মতুং তারকপা পুন্সিগী তাঙ্কক্তা শেন্থোক ৱাৎপদগী শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লরবদি থুনা অহল ওইশিল্লক্লবগী মরম অমা ওই।

মসিনা তাক্লীবদি নহা ওইরিঙৈ মতমদা লাইরিক তম্বা অমসুং মতম মতমগী কন্ত্রেক্ট জোবশিং তৌবদগী শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লবা অসিদি মীয়ায় চল্লক্লবা মতমদা থেংনরিবা লায়রবগী খুদোংচাদবা অদুগুম্না অৱাবা মায়োক্লদে হায়বনি। মসিনা মরম ওইরগা থুনা অহল ওইশিনবা হায়বসি চহী মতাঙগসু মরী লৈনৈ হায়বসু তাক্লি।

অদুবু ষ্টদি অসি লিমিটেসন খরদি লৈরম্মী। খুদম ওইনা রিছার্সরশিং অদুনা থুনা অহল ওইশিল্লক্লবগী মচাক ওইবা অতোপ্পা মরমশিংগী মরমদদি খন্নখিদে। মচাকশিং অদুদি শেল-থুমগী খুদোংচাদবগা মরী লৈনদবা, অদুবু মদুনা মরম ওইরগা পুন্সি তেলহনবা নৎত্রগনা থুনা অহল ওইশিলহনবা লায়না অমা নারকপা হায়বসিসু অমনি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা ষ্টদি অদু তোঙান তোঙানবা সোসাইটিশিংগী অহলশিংদা চথুবা নৎতে। দেনমার্কদা লৈবা মীওইশিংখক্তদা চথুবা মরম্না মালেম পূম্বগী ওইবা মীৎয়েংদা য়েংবা য়াদে।

ষ্টদি অদুদা ফংখিবা ইভিদেন্সশিং অদুনা উৎলি মদুদি, চহী খরখক্তং শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লবগা ঙন্না অহল ওইশিনবগা মরী লৈনদে। অদুবু চহী মরি নৎত্রগনা মরিদগী হেন্না শেল থুমগী অৱাবা লেপ্তুনা মায়োক্লরবদি মীওই অদুনা মীয়ায় চল্লকপা মতমদা পাঙ্গলগী ওইবা তৌবা ঙম্বগী চাং অমদি কোগ্নিটিব ফঙ্কসন হন্থরকই অমসুং ইনফ্লেমেটরি লেবেল ৱাংখৎলকই।

রিক্কে লুন্দনা হায়খি, ঙন্না অহল ওইরবদি য়ামদ্রিঙৈদা হকচাং শোন্থরকপদগী লায়েংবগী চাংসু হেনগৎলকই, মসিনা অনাবা মী মশামক অমদি খুন্নাইদসু পোৎলূম পীরি। ঐখোয়না থিজিনবদা ফংলিবা অসিনা শেল পায়দবা হায়বসি থুনা অহল ওইশিল্লক্লবগী অচৌবা মরম অমনি হায়বা উৎলে। ফংলিবা নোলেজ অসিনা চহী নৌনা অহল ওইশিল্লকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লদনবা হোৎনবদা শীজিন্নবা য়াগনি।

শেল থুমগী অৱাবশিং কোকহন্নবা হোৎনবনা মীয়ায় চল্লবা মীওইশিং থুনা অহল ওইশিল্লকপগী চাং হন্থহন্নবা পান্থে ওইগনি হায়নসু রিছার্সরশিংনা ফোঙদোক্লি।

# সী পি কে টিনা সী এমগা উনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজর্ভেশন ওফ দি হিষ্টোরিকেল রাইটস ওফ কৌব্রু এন্দ থাংজিং হিল রেঞ্জেস (সী পি কে টি) না মণিপুরগী ওনরেবল সী এমগা উনদুনা কৌব্রু অমসুং থাংজিং চীংশাং কন্ননবা তকশিনখ্রে হায়না সী পি কে টিগী কনভেনর সাপমচা জাদুমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কৌব্রু অমসুং থাংজিং চীংশাং কন্ননবগীদমক সী এমগা উনখিবগী থৌরম অদুদা সী পি কে টিগী মীহুৎ ৯না শরুক য়াদুনা মেমোরেন্দম অমসু খূৎশিন্নখি। মেমোরেন্দমশিং অদুদি কৌব্রু অমদি থাংজিং চীংশাং পূন্না কন্ননবা অমদি প্রিজর্ভ তৌদুনা থন্বীয়ু হায়বনচিংবনি।

হৌখিবা চহী ২০২০গী নভেম্বর ২৬তা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা কৌব্রু অমদি থাংজিংগী হেক্তর খরখক আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্স এক্টকী মখাদা লাউথোক্লিবা অসিনা কৌব্রুগী লাইফম ১৩ অমদি থাংজিংগী লাইফম ১৩ হিষ্টোরিকেল সাইট ৯ কোনশিনবা ঙল্লোইদবনা কৌব্রু অমদি থাংজিংগী অপূনবা চীংশাংশিং অসি কনফম থোকই।

কম্মিটি অসিনা সী এমগী মফমদা থমখিবা ৱাফমশিং অসি থা অমগী মনুংদা থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্লবসু হায়জরম্মী হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি


### মশাগী খুদোংচাবা খরগীদমক ঈ ললোনবগী থবক তৌরম্বা মীওইশিং অদুদা অহকপা চৈরাক পীবিয়ু



লায়রবনা নম্না লৈরিবা লমদম অসিগী মীয়ামদা চাওনা অনা-লায়েংগী মতাংদা অচৌবা মতেং ওইরিবা ষ্টেট অসিগী অনা লায়েংশঙ অমা ওইনা লৈরিবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হোস্পিটাল অসিদা ঈ ললোনবা খুৎপু অমা লৈরম্বসি তশেংনা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি লমদম অসিগী ওইনা লাইবক থিবনি। লমদম অসিগী এন জি ও, ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন, মহৈরোয় লুপ, সী এস ওশিংনা লমদম অসিগী মীয়ামগী পুন্সি কনদবা য়াদে খন্দুনা ঈগী অৱাৎপা লৈতনবা চহী কয়াদগী হোৎনদুনা লাক্লগা নারোনদা মীওই খরনা শেন্দান লম্বী ওইনা চৎথরম্বা থৌওং অসিদি লমদম অসিগী মীয়ামদা নমথাক তৌবনি অমদি মীওইবগী অথোইবা মগুন ওই হায়নরিবা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোল অদুবু হাৎতোকপীবনি। মরম অদুনা ঈ ললোনবদা চেন্নরিবা মীওইশিং অসি লায়রবা লমদম অসিগী মীয়ামগী য়েক্লবা অমনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। লোয়ননা হোস্পিটাল অসিবু এমসকী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরক্লিবা তাল্লক অসিদা অমুবা কালি অমা তৈশিনবা হায়বদু থোক্লে। মসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা অমদি থোক্লক্তনবা রিমসকী হায়র ওথোরিটি অমদি লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিয়ু।

❒ অমরজিৎ খাঙেম্বম, চিংমৈরোং

### হৌখিবনা হৌখ্রবসু ঙসিদি মণিপুরী খুদিংমক পুন্না লেপমিন্নদুনা চৎমিন্নবা হেন্না মথৌ তারক্লি



ইরমদম অসিদা লাকখিবা অৱাবা খুদিংমক লৈবাক মীয়াম পুন্না থেংনমিন্নদুনা লাকখি হায়বসি পুৱারী হঙ্গৎনা য়েংলুবদা ঐখোয় পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। ঙসিসু তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা থায়নদগী লৈজরক্লবা নুংশি লীপুনশিং অদুবু থুগায়নবা অকনবা শাফু কয়া লাক্লি। কয়া অমা পুন্না মায়োক্লমিন্নদুনা মায়পাকপা ঙমখ্রে। হৌজিকসু ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নদুনা থেংনগদবা ইস্যু কয়া অমসু লৈরি। সী এ বি, নাগা পিছ টোক্ক, বোর্দর পিল্লরগী ইস্যু অমদি তোঙান-তোঙানবা ইস্যুশিং অসিনা মৈহৌরোলদগী লৈজরক্লবা নুংশি লীপুনবু থুগায়বা ঙমদনবা ঐখোয় পূম্নমক অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা চঙই। মতমনা কনাবুসু ঙাইবিদে ঐগী-মাগী ৱাখল থাদোক্লসি। ঐখোয়গী হায়বা ৱাফমনা মাঙ থারগা পুন্না থেংনমিন্নরসি। ইমা লৈবাক অসিগী হৌরক্কদৌরিবা তুগী মীরোলগী পুন্সিগী লম্বী মমি শামহনগুমসি। অমরোমদা থা কয়া কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা অৱা-চৈথেং কয়া ফংখ্রে। অদুবু ঙসিদি কোভিদকী হীদাকসু লাক্লবনিনা মাঙলোমদা চঙশিনমিন্নদুনা চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইনবা পুকচেল শেংনা হোৎনমিন্নরসি।

❒ রোবিন্সন থাংজম, সগ্রাম মখা লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।০১।২০২১ ইং, ইরাই; অয়ুক পুং ৮.০৫ ফাওবা ৱাকচিংগী ২নি পানগনি, মতুং ৩নি পাল্লনি।

মেষ : নীংজবা থুংবা, মরুপ মপাংনা চানবীবা অমদি শেল-থুমগী লম্দা মায় পাকচবা নুমিৎনি। নচা ননাই-চাওকৎপা অমদি অফবা মীংচৎ ফংজবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : অঙম্বনা য়ানবা চৎপা, নচাক নরল চেকশিনবা, ৱা য়াম্না ঙাঙদবা অমদি খুৎচাও থাদবনা য়াইফগদবা নুমিৎনি। ফিংবনা মাঙওইনগনু অমদি হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ-তঞ্জা ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

মিথুন : মহহু চাওবনা তাথীবা, মীৱা লৌবনা কাইনবা অমদি অখঙ-অহৈ শাবনা য়াম্না ৱাবা য়াবা নুমিৎনি। খ্বাইদগী ফবদি মরুপ মপাং লোয়নৌ, য়েৎকনু।
লৈশা পাখংশিংগী - থিবা হুম্বা কনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : নীংজবা থুংগনি, শেন্দোং য়াম্না ফংগনি অমদি পাউ নুংঙাইবা তাগনি। নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌগনু, লৈঙাক্কী লম্দা পামদবা নংদনবা নোল্লুকউ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : লম্ অয়াম্বদা মায় পাক্কনি, অনৌবা থৌরম পাংবসু য়াগনি, ঙাঙ-শকপদসু মীনা থাগৎপিগনি অমদি মতাং চারদি থৌনা ফুদোকপসু থোইনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : হেন্না অশা চাওরুনু-কান্নরোই অমদি নীংবদু পাংদা য়াদে খনগনু। খরসু পুকচেল চাওথোকপা ফৈ-নত্রদি অয়েৎপা খরা চেনগনি। মরুপ্পদি চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লান্দবনা লাকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : মীনা কিহনবা-ৱাখল মওল মওল খনবা লৈগনি। অদুবু অয়াম্বা মীনদি চানবীগনি অমদি পূক্নিং-ৱাখল চাওথোক্লা চৎপনা নুংঙাইজবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : লাইবক ফগনি অনৌবা থৌরমদৈ নীংবা থুংউ হায়বসু লৈ। কনানসু লাকচবা ঙমলোই-হনগনু অমদি মীয়াম্না থোইনা তেংবাঙবীবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

ধনু : লাংতক্লগনু, খুরৌ থাংবা লৈতনবা কৎথোকপা তম্মু অমদি ৱায়াম ঙাঙগনু। মরুপ মপাংগী ৱা তাবা অমদি লাই-গুরুনা য়াবা থবক তৌবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্নিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : হরাওবা, মীচং হেনগৎপগুম নুংঙাইবা অমদি অশা লাকপা থেংনগনি। হুরানবনা শেন্নবা, নচা-ননাই ময়েং তাবা অমদি মরী মতানা কল্লকপা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : হোয়া ফবা মাঙজগনি, অনম তানবা কাইনগনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোল্লি-নাইতোম ৱারেপ লৌগনু। মরুপ মপাং অমদি ওজা-গুরুগী ৱা লৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : শেল-থুমগী লমদা চাওনা মায় পাক্কনি, য়েক্লববু লাকশিনবা ঙম্বা অমদি লৈঙাক্কী লম্দা মায় পাকপা লৈগনি। নকন্থিনদি মরল মাঙহঞ্জবা য়াবা লৈ-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# লোক্তাক পাৎতা

## সুনিশ ময়েংবম





Sunish Mayengbam lives in Wabagai Mayai Leikai